# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১)	ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ, কৃষ্ণ জন্মঅষ্টমিনি।

২)	রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংদা থি হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থদুনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলি।

অমসুং

৩)	প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি- নুপীশিংগী মায়োক্তা মীওৎ মীনৈ চত্থবা হায়বসি ঙাকপীফম থোক্ত্রবা পাপকী মশকনি, অসিগুম্বা থবক চত্থবা মীওইশিং লেমা থারোইদবনি।

------

জন্মঅষ্টমি(এল)ঃ	ঙসি ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী মপোক নুমিৎ, কৃষ্ণ জন্মঅষ্টমিনি। ইম্ফালগী শ্রীশ্রী গোবিন্দজি অমদি ইস্কোন মন্দিরশিং য়াওনা অতৈ মফম কয়াদা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকগনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়া অমসুং মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বশিং নৌহৌননা নিংশিংবগা লোয়ননা চাওখৎপা অমসুং শান্তি লৈবা রাজ্য অমা ওইহনবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমকা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা হোৎনরশি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মহাক্কী পাউজেলদা হায়- ভগবান কৃষ্ণগী ধর্ম্মগী লম্বীদা চৎপা, অমম্বা মাংহনবা অমসুং পুমমক্কী থম্মোয়দা লৌশিংগী মৈরা চুখৎপা হায়বসি মতম চুপ্পদা চুম্লগদবা অমদি লাইনিং লাইশোলগী খেনবা লৈতনা মীপুম খুদিংমক্তা মরী লৈনরগদবা অমনি। মহাকা হায়- ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীরম্বশিং ঙাকা চত্তুনা রাজ্য অসিবু শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহনবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক অচুম্বা লম্বেলদা চৎপা ঙমবা হোৎনমিন্নরশি।

এরেষ্ট (এল)ঃ রাজ্য অসিদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিনহন্নবা পায়খৎপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমদি তম্পাক্কী জিলাশিংদা থি হুম্বগী থবক অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চত্থরি।

থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুম্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, স্মোক গ্রেনেদ অমা অমসুং নোংমৈ মরু ১০ ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ঙরাংসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চঙাংঙৈ উচেক্কোনদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অহুম ফাখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৌত্রুক্তা নোংমৈ কাপখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওই ৫ সু পুলিসনা ফারে হায়না রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোলদা হায়রি।

নোং (এল)ঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিং অমদি অন্দমান অমসুং নিকোবরদা অকনবা নোং চুখিগনি। ৱেদর এজেন্সিগী চেরোল অমনা হায়- রাজস্থান, মধ্য প্রদেশ, কোনকান, গোৱা, গুজরাত, সোরাষ্ট্র অমসুং কটসতা হয়েং ফাওবা য়ামা কনবা মওংদা নোং চুগনি। উরিষা, ঝারখন্দ অমসুং করনাতক্কী সমুদ্র খোঙবান, উত্তর প্রদেশ, উত্তরাখন্দ, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানাদসু অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ত্রিপুরা ঃ ত্রিপুরাগী ঈচাউগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা এন.দি.আর.এফকী কাংবুনা মী কনবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। ঈচাউনা খ্বাইদগী শাথিনা শোকহল্লবা

সাউথ ত্রিপুরা অমসুং সেপাহিজালা জিলাশিংদা এন.দি.আর.এফকী বত্তাল্লিয়ন ১১ না মী কনবা অমদি তেংবাংগী থবক চথুরি। তেংবাংগী থবক্তা বি.এস.এফ অমদি ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন কয়ানসু মতেং পাংলি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- নুপীশিংগী মায়োক্তা মীওৎ মীনৈ চথুবা হায়বসি ঙাকপীফম থোক্রবা পাপকী মশকনি অমসুং অসিগুম্বা থবক চথুবা মীওইশিং লেমা থারোইদবনি।

মহারাষ্ট্রগী জলগাউদা অনৌবা লাখপতি দিদি, লাখ ১১ দা সার্তিফিকেট য়েন্থোকপা অমসুং মখোয়গা ৱারী শান্নবদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অমদি খুন্নাইগী তুংগী য়াইফনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নুপীগী শক্তিনা চাউনা থৌদাং লৌরি। নুপীশিংনা তৌবা থবক্তা হান্না অথিংবা লৈরম্বা কয়া লৌথোকবা সরকার অসিনা অকনবা থবক পায়খৎলি। নুপীশিংবু শক্তি পীবগা লোয়ননা মখোয়দা অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি লৈবাক অসিগী মাংজিল থাবা থবকি হায়নসু শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি। হোস্পিতাল, স্কুল, ওফিস নত্রগা পুলিস সিষ্টেমগুম্বা মীয়ামগী ইন্সটিট্যুসনশিং নিয়ম চুমা অমদি নিংথিনা মথৌ তৌগদবনি অমসুং থৌশাদবা য়াওরকপদা মদু ঙাকপীবা ঙমলোই।

শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অমসুং খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী চাউবা দাইত্বতদি নুপীশিংগী ইজৎ অমদি পুন্সিবু ঙাক শেনবনি।

থৌরমদুদা প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ২,৫০০ গী কম্ম্যুনিতি ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দসু রিলিজ তৌখি। মসিনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাখ মরি লিশিং অহুমলোমগী মেম্বর লাখ ৪৮ লোমদা কান্নবা ফংহনগনি। মহাকা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ লাখ অনি লিশিং ৩৫ হেনবগী মেম্বর লাখ ২৫ লিশিং ৮ দা কান্নবা ফংহনগদবা বেঙ্ককী শেন্থং লুপা কোতি লিশিং ৫ সু রিলিজ তৌখি।

মণিপুরগী থৌবাল জিলাদসু মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিতনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৬৪ অমসুং লনাই মীওই মরিদা লোনগী সেঙ্কসন ওর্দর য়েন্থোকখি।

তেরোরিজম ঃ ভারত অমসুং ইন্দোনেসিয়ানা মখল খুদিংমক্কী তেরোরিজমগী থবকশিংবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা মসি থিংনবা হোৎনবদা মালেমগী লৈবাকশিংনা হেন্না তেংবাং পীনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খ্রে।

জকারতাদা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা তেরোরিজম থেংননবা ইন্দিয়া-ইন্দোনেসিয়া জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপকী ৬ শুবা মীফমদা লৈবাক অনিমকা সিমানা ৱাংবদগী তেরোরিজমগী থবক চথরকপগী থৌওংবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকখি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী চেরোল অমনা হায়- নাকল অনিনা লৈবাক মনুংগী ওইনা, লমদম লমদমগী ওইনা অমসুং মালেমগী ওইনা তেরোরিজমনা কিহল্লক্লিবা কয়া অদুগী মতাংদা মখোয় মখোয়গী মোৎ ফোংদোকখি। তেরোরিজম থেংনবদা অনৌবা মখলগী টেকোলোজিশিং শিজিন্ননবগী মতাংদসু খন্নখি।

ৱেবস ঃ ভারতকী মিদিয়া অমসুং ইন্তরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি হেন্না চাওখৎহন্দুনা মসিদা মালেমগী মীৎয়েং চিংশিন্নবগী পান্দমদা সরকারনা ৱার্ল্ড ওদিও ভিজ্যেল এন্দ ইন্তরটেনমেন্ট সম্মিৎ (ৱেবস) য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরাং তৌরি। অৱাংবা থাক্কী মীফম অসি চহি অসিগী নবেম্বর ২০ দগী ২৫ ফাওবা গোৱাদা পাঙথোক্কদবনি।

কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণবনা হৌখিবা ইরাই নুমিৎ ক্রিয়েট ইন ইন্দিয়া চেলেঞ্জ- সিজন ৱানগী মখাদা চেলেঞ্জেস মখল ২৫ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা ৱেবস অসি মালেমগী মিদিয়া অমসুং ইন্তরটেনমেন্টকী আইকোনশিংগী শিংথানিঙাই ওইরবা ফম্বাগ অমা ওইরগনি।

ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়না ইভেন্ট ২৫ দা ফাইনেলিষ্ট ওহরবশিংদা ৱেবস প্লেটফোর্মদা পুন্না য়াওদুনা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা উৎথোকবগী তাঞ্জা পীরগনি।

বিজেপি ঃ লাক্লিবা জম্মু কাশ্মীর বিধান সভা মীখলদা মীরেপ ওইগদবশিং খন্নবগীদমক বি.জে.পি সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফম অমা ঙরাং নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট জগৎ প্রকাশ নদ্দা, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং অমিত সাহ্ অমসুং জিতেন্দ্র সিংহ অমদি অতৈ দলগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

কুকি লালহৌবশিংগা তৌনরিবা সুগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য সরকারদা চপ চাবা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফম, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা পেত্রোলগী স্তোক্কী চাং মীয়ামদা খঙহন্নবা পেত্রোল্লিয়ম দিলরশিংনা তকশিনখিবগী পাউ অমদি য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা মৈতৈ অমসুং কুকি ৱারী শান্নদুনা ইরাং লোইশিন্নবা আপীল তৌখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- কুকিগী সুগী মতাংদা ষ্টেটতা সেন্তরনা চপ চাবা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ওফিসিয়েল ওইনা হায়রকপা লৈত্রগসু ষ্টেট গভর্নমেন্টনা লৌখিবা সুগী ৱারেপ সেন্তরদা খন্নরে হায়বা তারে- সি.এম হায়বা পাউ অসিনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা পেত্রোলগী স্তোক কয়ানো হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীনবা পেত্রোল্লিয়ম দিল্লিরশিংনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সুগী গ্রাউন্দ রুল থুগাইবা কুকি মিলিটেন্ট খরগা সু তৌনদনবা কেন্দ্র সরকারদা তকশিল্লি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- তম্পাক্কী জিলাশিংদা এল.পি.জি, পেট্রোল, ফংদবগী অৱাবা মায়োকরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- সোসিয়েল মিদিয়াগা পাউচেশিংগা চাংদমবা য়ারোই হায়না এম.পি. সনাজাউবনা ৪৩ শুবা হোক্করশিংগী নুমিৎতা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

য়ু.এন.সি. পিছ কমিতিনা মীতৈ অমসুং কুকি জোন ৱারী শান্নদুনা ইরাং লোইশিন্নবা আপীল তৌরক্লি হায়বা পাউনা মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মণিপুরগী লম্বীশিং নোং হেক হাংবগা শেমজিন্নবা থৌরাং লোইরে হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইন্দিয়াগী আর্মি চীফনা মণিপুরদা লাক্লম্বা অদুনা অথুবদা শান্তি পুরকপা ঙমগনি থাজে হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- লম্বী নীংখায়খ্রবসু উপা লৈতবনা শিফম নাফম খঙদনা চৎনরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তাঞ্জুল নাগা অৱুঙা লোংগী মখাদা লৈবা খুল ৩২০ না পেংগোলিন ফাবা অমদি য়োনবা থিংনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------